# নাগালেন্দগী রেসিদেন্সিএল কমপ্লেক্সতা খুদক্কগী দুকান পুম্নমক থোং হাংবা য়াহনখ্রে

দিমাপুর, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি):
নাগালেন্দগী ম্যুনিসিপালিটি অমসুং টাউন কাউন্সিল মনুং চন্না লৈবা রেসিদেন্সিএল কমপ্লেক্সশিংদা খুদক্কগী দুকান পুম্নমক থোং হাংবা য়াহনখ্রে। অদুম ওইনমক মার্কেট কমপ্লেক্স অমদি মোলশিংদা লৈবা দুকান অমত্তা থোং হাংবা য়াদ্রি।

হিরম অসিগী মতাংদা চীফ সেক্রেটরী টেমজেন তোইনা থোকখিবা ওর্দর অমনা হায়খি মদুদি, কা হেন্না মী চিনবা দিমাপুরগী হোংকোং মার্কেট অমসুং ন্যু মার্কেট লোয়ননা কোহিমাগী বি ও সী মার্কেটতা লৈবা দুকানশিং থোং লোনখিগনি।

চান-থক্লবা পোৎলম, হিদাক লাংথক অমসুং তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং য়োনবা দুকানশিংগী ওইনদি অথিংবা কোমথোক্লে হায়রি। অচৌবা দুকানশিংদা থবক তৌবা ষ্টাফ মশিং চাদা ৫০ হন্থহনবগা লোয়ননা মীপুম খুদিংমক মাস্ক উপকদবনি অমসুং সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাংলোন ঙাক্কদবনি হায়না খঙহনখি।

চৈরকসিদা নাগালেন্দ লৈঙাক্লা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরিবা ষ্টেট অসিগী মীওই পুম্নমক্তা শেলগী তেংবাং পীবা হৌখ্রে। লোকদাউননা মরম ওইরগা ময়ুমদা হল্লকপা ঙমদনা লৈরিবা মীওইশিংদা তেংবাং পীনবা লুপা ক্রোর ১.৬৩ কায়থোক্লে হায়না লাউথোকখি। হৌজিক ফাওবদা তোঙান-তোঙানবা মীওই ৯,৮০০না শেলগী তেংবাং লৌনবা এপ্লিকেসন পীশিল্লক্লে। মপান লৈবাক্তা মহৈ তম্লিবা মহৈরোয় ২,৩০৫ অমদি থবক তৌরিবা মীওই ৭,৩৮০নসু এপ্লিকেসন পীশিল্লক্লে হায়না চীফ মিনিষ্টর নৈফ্যু রিওনা ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, তোঙান-তোঙানবা মফমদা লায়েংনবগী লৈরিবা অনাবা অমমমদা লুপা ২০,০০০ তেংবাং পীরগনি। মহৈরোয়শিংদনা লুপা ৩,০০০/৩,০০০ পীরগনি। থবক তৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী ওইনদি লুপা ৪,০০০/৪,০০০ পীনবা থৌরাং লৌখৎলে। অৱাবা তারবা মীওইশিংনা ওনলাইনদা এপ্লিকেসন পীশিল্লক্লবা পোর্টেল অমা লোঞ্চ তৌরে হায়রি।

# মিজোরামদা অরানবা পাউ শন্দোকপগীদমক ওপোজিসননা পুলিসতা কমপ্লেন্ট ফাইল তৌখ্রে

আইজোল, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি):
কনাগুম্বা মীওই খরনা সোসল মিদিয়াদা অরানবা পাউ শন্দোক্লগা কাংলুপ মশেল নুংশিন্নদবা হোৎনৈ হায়বগীদমক মিজোরামগী মরু ওইবা ওপোজিসন পার্টি অমা ওইরিবা জোরাম পিপলস মুভমেন্ট (জেদ পি এম)না পুলিসতা কমপ্লেন্ট ফাইল তৌখ্রে।

য়ুম মৈ থাখিবা অমসুং সিক্যুরিটি পার্সনেল অনী ফুখিবগী মতাংদা মিজো অমসুং চকমাশিংগী মরক্তা কনাগুম্বা খরনা টেন্সন ৱাংখৎহন্ননবা হোৎনরে হায়না জেদ পি এমগী লুচিংবশিংনা মরাল শীখি।

ওপোজিসন পার্টি অসিগী লুচিংবা অমনা হায়খি, মমাঙ চয়োলদা মিজোরামগী খুঙ্গং অমদা ইন্দিয়া রিজার্ব বট্রালিয়ন আই আর বিগী পার্সনেল অনী ফাখিবা অমসুং ত্রিপুরাগী মী লৈনদ্রবা য়ুম অমা মৈ থাখিবগী তাংদা কনাগুম্বা খরনা সোসল মিদিয়াদা অরানবা পাউ শন্দোরক্লে। মিজোশিংবু অতম্নননা ইকায়বা পীবগা লোয়ননা কাংলুপ মশেল নুংশিন্নদবা থৌরাং লৌখৎলকপা মীওইশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়না পুলিসতা কমপ্লেন্ট ফাইল তৌখি।

পনবা য়াবদি, নোর্থ ত্রিপুরা দিষ্ট্রিক্টকী কোনপুই খুঙ্গংদা চকমা মতৌ মনাও অমনা শাবা লৌতাংশঙ অমা মে ২০দা শকখঙদবশিংনা মৈ থাবগী থৌদোক অমা থোকপা লৈখ্রবনি। মিজোরামগী আই আর পি পার্সনেল অনী কোনপুই মীওইশিংনা ফুবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা য়ুম মৈ থাবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

ষ্টেট অনীগী লোন্নবা ঙমখৈদা থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা টেন্সন ৱাংখৎলকপগী ফিভম লাকখি।

নাকল অনীমক্কী লুচিংবশিংনা পামদবা থৌদোক অমত্তা থোকহন্দনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলবসু কনাগুম্বা মীওই খরনা সোসল মিদিয়াদা অরানবা পাউ শন্দোক্লগা কাংলুপ মশেল উংখৎননবা হেৎনরে হায়না এম জেদ পিনা মরাল শীখি। আই আর বিগী পার্সনেল অনী ফুবগী থৌদোক্তা চেন্নবা কোনপুইগী মীওই অহুম পুলিসনা ফাবা লৈখ্রে।

# পি এম - কিসান স্কিমগীদমক পৈশা চাওনা খোল্লিবা মীওইশিং ফাগৎপিরগা লোগী ওইবা চৈরাক পীবিয়ু

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬ (ঐচএনএস):
প্রধান মন্ত্রি কিসান সম্মান নিধি (পি এম-কিসান) স্কিমগীদমক কম্মন সার্ভিস সেন্টর (সী এস সী)শিংগী খুত্থাংদা রেজিষ্টার তৌখিবশিং অথুবা মতমদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা এপ্রুভ তৌবিয়ু। লম্বী লমজাওদা, খুল খুলদা চৎতুনা এপ্রুভ তৌহনবিগে হায়না পৈশা চাওনা চাওনা খোল্লিবা মীওশিং অসি থিগৎপীদুনা ফাগৎপিরগা লোগী ওইবা চৈরাক পীবিয়ু হায়না সী এস সী ভিলেজ লেভেল ওনত্রপ্রেনিয়র সোসাইটি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরী কে এস ঐচ চাওথোইনা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লাংমৈদোংদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা সী এস সী ভিলেজ লেভেল ইন্টরপ্রেনিয়র সোসাইটি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরী কে এস ঐচ চাওথোইনা মখা তারদুনা হায়, সী এসী সী হায়বা অসিদি মতম মতমগী লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা স্কিমশিং থবক থৌরমশিংদা মতেং পাঙবখক্তনি। পি এম-কিসান স্কিম অসিগীদমক বেনিফিসরি রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী থবক অসি সী এস সীশিংদদি কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারীগী অরোইবা শরুক্তগী মপুং ওইনা হৌখি।

হায়রিবা মতম অসিদা পি এম-কিসানগী পোর্টেলদা সী এস সীগী ওইবা লিঙ্ক অমা হাপ্পিরম্মী। লিঙ্ক অসিগী খুত্থাংদা বেনিফিসরি রেজিষ্ট্রেসন তৌবা মতমদা সী এস সীগী ৱালেটতগী রেজিষ্ট্রেসনগী চার্জ ওইনা লুপা ১৫-১৫ ককপিরি। মরমসিনা সী এস সীগী আই দি শীজিন্নরগা পি এম-স্কিমগী রেজিষ্ট্রেসন তৌবদা লৌমী বেনিফিসরিশিংদগী ফী খরা লৌবগী অয়াবা সী এস সীশিংদা পীরি।

পি এম-কিসানগী বেনিফিসরি রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী থবক অসি সী এস সী খক্তনা অয়াবা পীবা নত্তে। থবক অসি মপুং ওইনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা চ্যেরমেন ওইরগা তৌবা থবকনি। অদুগীসু মথক্তা লৌমী বেনিফিসরি মশা মশানসু স্কিম অসিগীদমক রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী অয়াবা পীরি। সী এস সী নত্রগা মশা মশানা ওনলাইনদা রেজিষ্ট্রেসন তৌরকপা খুদিংমক দি সীনা এপ্রুভ তৌবা মথৌ তাই। সী এস সীগী ওইবা লিঙ্কতগী পি এম-কিসান রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী মতম অসি চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ২৮দা লোইখ্রবনি। সী এস সীদি মতম খরগী ওইনা স্কিম অসিগী রেজিষ্ট্রেসনগী থবক থৌরমদা মতেং পাঙবা খক্তনি। হৌজিক্তি সী এস সীগী আই দিদগী রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়াদ্রে। অদুগা হেন্না লাইবক থিরিবদি সী এস সীগী মায়কৈদগী অমদি সী এস সীনা মতেং পাংলগা রেজিষ্ট্রেসন তৌখিবা বিনিফিসরিশিংগী মনুংদা চৎলিবা ফেব্রুৱারীগী অঙনবা শরুক্তগী হৌনা হৌজিক ফাওবদা রেজিষ্ট্রেসন তৌখিবা বিনিফিসরিশিং অমত্তা এপ্রুভ তৌবীদনা লৈরি। লাইবক থীবদি মীওই খরনা লম্বীদা, খুন খুনদা চৎতুনা লুপা ৫০০ দগী লুপা ১০০০ ফাওবা লৌদুনা হান্না মশা মশানা থাজিঞ্জখিবা অদুবু এপ্রুভ পীবীদনা লৈবা মীওইশিং নৎত্রগা ইনৌ নৌনা রেজিষ্ট্রেসন তৌদুনা নোংমা নীনিদা এপ্রুভ পীবগী থৌওং অমসু চত্থরিবা অসিনা কমদৌবনো।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী পোর্টেল পায়রিবা, রেজিষ্ট্রেসন এপ্রুভ পীরিবা ওফিসল নৎত্রগা ষ্টাফ খরগা মান্নরগা মীয়ামদগী শেল খোল্লে হায়বগী চিংনবা য়াম্না চাউনা লৈরে। শেল চাউনা চাউনা খোল্লগা নোংমা নীনিদা হেক্তমক এপ্রুভ তৌরিবা, সী এস সীশিংদগী রেজিষ্টর তৌবশিংবুনা পেন্দিংদা এপ্রুভেল পীবীদনা থম্বীবা অসিনা সী এস সীবু লান্না উহন্নবগী মচাক অমসু ওইরি। লম্বীদা খুন-খুনদা চৎতুনা মীয়ামদগী শেল চাউনা চাউনা খোল্লিবা, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী পোর্টেল পায়বদুনা নোংমা নীনিদা এপ্রুভেল পীবদা চেন্নরিবা মীওইশিং অসি থিদোক্তুনা ফাগৎনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা হোৎনবীয়ু। সী এস সী ভিলেজ লেভেল ওন্ট্রপ্রেন্যুর সোসাইটি, ককচিং দিষ্ট্রিক্টনসু মতেং পাংগনি ফোঙদোরকখি।

অমরোমদনা হুইয়েন লানপাউ পাউচেনসু পি এম কিষান স্কিম অসিগী মতাংদা হৌজিক হৌজিক চত্থরিবা মওং মতৌ অসি য়াম্না মমুৎ তানা থিজিনবীদুনা থা অসিগী ২৫ দা মীয়ামদা মরিক চুম্বা পাউদম অমা ফোঙদোকপীরকখ্রে। মসিমক সী এস সী ভিলেজ লেভেল ওন্ট্রপ্রেন্যুর সোসাইটি, ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মায়কৈদগী নুংঙাইবা ফাওজে। অদুগা অমনা মণিপুরগী লোকল টিভি চেন্নেল অমদসু পি এম কিষান স্কিম অসিগী মতাংদা পাউ অমসু ফোঙদোরকখি। মদুমকসু য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি। অদুম ওইনমক পাউ অদুদা সী এস সীশিংনবু লৈবাক মীয়ামদা লান্না উহনবা য়াবা মওংদা ফোঙদোকখিবা অদুমক্তি লাইবক থীবনি। সী এস সী খরা মীওই খরা হীরম অসিদা চেন্নরম্বসু য়াই। তৌবতবু সী এস সী অসি স্কিম অসিগী ওথোরিটি অমদি নত্তে। সী এস সীগা বিনিফিসরি এপ্রুভ তৌবা অমদি স্কিম অসিগী শেল কায়থোকপগা করিগুম্বা মরী অমত্তা লৈনদে। পুম্নমক অসি মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা পুকচেল শেংবা ৱাৎপননি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

# লোকদাউনগী অৱা চৈথেং নংলবশিংদা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬ (ঐচএনএস):
মালেমগী লৈবাক কয়াদা পাক শন্না শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ থিংনবা ইন্দিয়া পূম্বদা চত্থরিবা লোকদাউননা মরম ওইদুনা ৱানরবা মীয়ামগী য়েংদুনা তোঙান তোঙানবা মীওইশিং অমসুং লূপশিংনা তেংবাঙ লেপ্তুনা য়েন্থোক্লরি।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্না ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা থোকচোম জাদুমনিগী মীৎয়েং মখাদা সমরাম য়ুথ ভলন্টরি ওর্গনাইজেসন (এস ৱাই ভি ও) না খাঙবোক এ সীগী মনুং চনবা সমরামগী মীয়ামদা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা মাস্ক য়েন্থোক্তুনা এৱ্যেরনেস পীখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সমরাম লাইবুংদা পাঙথোকখিবা মাস্ক য়েন্থোকপা অদুদা টি ঐচ জাদুমনিনা মালেমগী ওইনা কিনরিবা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবগী মতাংদা ৱাফম কয়ামরুম থমদুনা লৈঙাক্লা মসিগী মতাংদা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎতুনা ঐখোয় পূন্না লাইচৎ অসি থেংনমিন্নসি হায়খি।

কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা পান্দমদা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মফম শিনবা থুংনা হীদাক কাপথোকখ্রে অমদি লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী অৱাবা মায়োক্লরিবা মীয়ামদা থক্লবা ঈশিং অমদি নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। মখা তানা য়েনখিগনি হায়খি।

অমরোমদা ককচীং অমদি ককচীংগা খুল্লোন্নবা মফমশিংদা লৈবা ইমুংশিংদা পি আর ইংলিস স্কুল, ককচীংগী ২০০১ মেট্রিক বেটচকী মহৈরোয়শিংনা শীন্দুনা নোংমগী চংদ্রবা য়াদ্রবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙ পীখ্রে। নুমিৎ মরিনি চুপ্না চত্থগদৌরিবা তেংবাঙ পীবগী থৌরম অসিদা মতেং পাংবিরকপা ওর্গনাইজেসনশিং, লন্নাই মীওইশিং অমদি লমজিং লমতাকপীরকপা ওজাশিংবুসু পি আর ইংলিস স্কুল, ককচীংগী ২০০১ মেট্রিক বেটচকী মহৈরোয়শিংগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।


# সিক্কিমদা মোবাইল টেষ্টিং বুথ শঙ্গাখ্রে

গেংটোক, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি):
ইষ্ট সিক্কিমগী রাংপো চেক পোষ্টতা হেল্থ মিনিষ্টর ডা. এম কে শর্ম্মনা আর টি-পি সী আর মোবাইল টেষ্টিং বুথ অমা শঙ্গাখ্রে।

সিক্কিমগী চঙফমদা হাংদোক্লিবা মোবাইল টেষ্টিং বুথ অসিগী অচংবা শেনফম পুম্নমক চীফ মিনিষ্টর পি এস গোলেগী লোয়নবী কৃষ্ণ রাইনা পুথোকখিবনি। মোবাইল টেষ্টিং বুথ হাংদোকপগী থৌরম অদুদা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর জেনরেল কম সেক্রেটরী অমদি অতৈ মকোক থোংবা ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

টেষ্টিং বুথ হাংদোকখিবগা লোয়ননা রাংপো চেক পোষ্ট অমদি রাংপো পব্লিক গ্রাউন্দগী ফিভমসু য়েংশিনখি। লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা লোকদাউন তৌখ্রবা মতুংদা সিক্কিমগী ওইনা রাংপো চেক পোষ্ট অমদি রাংপো পব্লিক গ্রাউন্দদা স্ক্রিনিং তৌফম ওইদুনা লাকখিবনি।

# CROSSWORD-3428



**ACROSS**
1 Compassion (4)
3 Slaughterhouse (8)
9 Die down (7)
10 Fracture (5)
11 Small edible crustacean (5)
12 Root vegetable (6)
14 Observe (6)
16 Clergyman (6)
19 Preliminary drawing (6)
21 Large book size (5)
24 Embellish (5)
25 Abridge (anag.) (7)
26 Incidentally (2,3,3)
27 Nautical unit of speed (4)

**DOWN**
1 Put off, defer (8)
2 Shin bone (5)
4 Whitening chemical (6)
5 Rome's river (5)
6 Burdensome (7)
7 Gardening tool (4)
8 Alfresco meal (6) 13 Blameless (8)
15 Extract (4,3)
17 Fully informed (2,4)
18 Morbid fear (6)
20 Metric weight (5)
22 Gain knowledge (5)
23 Raiment (4)

**Solution 3427**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| P | L | E | A | S | E | D | | F | E | L | O | N |
| U | | B | | T | | I | | O | | E | | O |
| C | A | B | L | E | | V | E | R | M | O | N | T |
| C | | E | | N | | I | | M | | N | | C |
| I | N | D | U | C | E | D | | S | M | I | T | H |
| N | | | | I | | E | | | | N | | |
| I | N | H | A | L | E | | A | P | P | E | N | D |
| | | U | | | | S | | R | | | | E |
| T | E | M | P | T | | C | L | O | T | H | E | S |
| O | | D | | A | | A | | F | | A | | I |
| P | A | R | A | S | O | L | | A | L | T | E | R |
| I | | U | | T | | E | | N | | E | | E |
| C | O | M | F | Y | | D | R | E | A | D | E | D |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

# য়াম্লবা দ্রগকা কোন্ননা মীওই অনী ফারে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬(ঐচ এন এস):
লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু মনুংদা য়াম্লবা ময়াই কাবা দ্রগকা কোন্ননা মীওই অনী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি ৱিমেন পুলিস ষ্টেসন বিষ্ণুপুরগী অপূনবা টিম অমনা ঙসি নুংথিল পুং ৪.১০ রোম তারকপদা বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনগী গেটতগী ফারে হায়রি।

ফারবা মীওই অনী অদুদি ক্বাক্তা সেপ্পাদগী এম দি নজির অহমদ এলিয়স সনা (৪১) অপোকপা লৈখিদ্রবা নহা অচৌবা অমসুং ক্বাক্তা তেরা অশাংবীদগী এম দি নজির অহমদ এলিয়স ইথেম অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি অজিজুর রহমন কৌই। মখোয়না কোদাইন য়াওবা ১০ এম জিগী কফ সিরপ বোট্রল ৩০০ অমসুং কেপ্সুল ৮ য়াওবা সিনফ্লেক্স সী প্লস কেপ্সুল ৩৪৭৪ ষ্ট্রিপকা কোন্ননা মারুটি স্বিফট কার অমদা হাপ্তুনা পুরকপদগী ফাবনি হায়রি।

# কোভিদ-১৯গী শেলগী তেংবাঙ পীগদবা 'দব্লিয়ু এ টি ঈ এফ এ দি ঈ এ এস' কৌবা স্কিম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬ (ঐচএনএস):
ৱাংজিং তেন্থা ফার্মরস দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (দব্লিয়ু এ টি ঈ এফ এ দি ঈ এ এস) কৌবা এন জি ও অসিনা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা ৱেবসাইট অমা হাংদোকপগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ শেলগী তেংবাঙ পীগদবা 'দব্লিয়ু এ টি ঈ এফ এ দি ঈ এ এস' কৌবা স্কিম অমসু হৌদোকখ্রে।

ঙসি হৌদোকখিবা স্কিম অসিনা মণিপুরগী মপান্দা লৈরিবা ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী মহৈরোয় খুদিংমক্কী একাউন্টদা লুপা লিশীং অমমম হাপ্লগনি। স্কিম অসিগীদমক ৱেবসাইট www.watefadeasngo.org দা মহৈরোয়শিংনা চঙবীরগা 'কোভিদ-১৯ শেলগী তেংবাঙ পীগদবা 'দব্লিয়ু এ টি ঈ এফ এ দি ঈ এ এস'গী ফোর্ম ওনলাইন্দা সবমিসন তৌবীগদবনি হায়রি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তেন্থাদা লৈবা দব্লিয়ু এ টি ঈ এফ এ দি ঈ এ এসকী ওফিসতা পাঙথোকখিবা ৱেবসাইট হাংবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা এন জি ও অসিগী চীফ ফঙ্কস্নরিসু ওইরিবা হান্না মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টর ওইরম্বা মোইরাংথেম হেমন্তনা হায়খিবদা স্কিম অসিগী অহানবা ফেজগী ওইনা মণিপুরগী মপান্দা লৈরিবা ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী মহৈরোয় খুদিংমক্কী একাউন্টদা লুপা লিশীং অমমম হাপচিল্লগনি হায়রদুনা তোঙান তোঙানবা কম্পিটিটিভ এগজামশিংগী কোচিং তৌরিবা অমদি ত্রেনিং চত্থরিবা মহৈরোয়শিংদসু স্কিম অসিনা কোনশিনগনি হায়খি।

মহৈরোয়শিং অদু কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা হৌজিক হৌজিক চত্থরিবা লোকদাউননা মরম ওইরগা মণিপুরদা হল্লকপদা খুদোংচাদবা মহৈরোয়শিং ওইগদবনি। হৌজিক কমক্কীদি ৱাংজিং তেন্থা এ সীনা কোল্লিবা খুঙ্গং ১২ ৱাংজিং, তেন্থা, তেকচম, সাপম, ফুনদ্রে, লাঙথেল, খোংজোম, চিংথম, পাপল, লংথবাল খুনৌ, কাইরেনবিখোক অমসুং মাইরেনখুল খক্তদা স্কিম অসি চৎনখিগনি। অনীশুবা ফেজদা অতোপ্পা খুঙ্গংশিংসু কোনশিন্নবা হোৎনগনি হায়খি।

হেমন্তনা মখা তারদুনা হায়, এ সী অসিগী খুঙ্গং ১২ অসিগী য়ুমথোঙ ১১৫০০ রোমদসু দব্লিয়ু এ টি ঈ এফ এ দি ঈ এ এসনা খোংজোম ৱার মেমোরিএল ত্রষ্ট (কে দব্লিয়ু এম টি) অমদি দাইমন্দ রেদিওগা খূৎশম্নদুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিংসু য়েন্থোকপগী থবক চত্থরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# চান-থক্লবশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬ (ঐচএনএস):
কোভিদ-১৯গী লোকদাউননা মরম ওইদুনা অৱাবা মায়োক্লরিবা কোংপাল ক্ষেত্রিলৈকায় অমদি কোংপাল নাওরোইবম লৈকায় শিংলূপনা কোনবা ইমুং ২৬৩দা শিংলূপ অসিনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে। কোংপাল ইৱানফম থোংখোংদা লৈবা মৈরা পায়বী শঙলেন্দা কোংপাল ক্ষেত্রি লৈকায় অমদি নাওরোইবম লৈকায় শিংলূপকী থৌ পুবশিংনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অদু সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, সী বি আই এন্টি করপসন ব্রাঞ্চ ইম্ফালনসু তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈবা চিলদ্রেন হোমশিং অমদি খুয়াথোং অমসুং নাগামপালদা লৈবা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে হায়রি।

# থবক মখা চত্থননবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬(ঐচ এন এস):
রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ মিনিষ্টর থোঙাম বিস্বজিৎনা আর দি এন্দ পি আরগী মখাদা পায়খৎপা স্কিমশিংগী ইমপ্লিমেন্টসন তৌবগী থবকশিং নৌনা অমুক হৌননবা ওফিসলশিংদা খঙহনখ্রে।

মিনিষ্টরগী ওফিসতা পঞ্চায়টকী মীহুৎশিং অমদি দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা পীরকপা গাইদলাইনশিং ঙাক্লা এম জি এন আর ঈ জি এস য়াওনা স্কিমশিং ইমপ্লিমেন্টেসন তৌবগী থবক নৌনা হৌননবা খঙহনখিবনি। লোয়ননা অধক্ষ্যশিংনসু জোব কার্দ হোল্ডরশিংদা মাস্ক অমসুং হেন্দ সেনিটাইজরশিং ফংহনগদবনি হায়নসু খঙহনখি। লোয়ননা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎনবা ৱাফমসু থমখি হায়রি।

# মোমানা মনা-মশিং তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬ (ঐচএনএস):
মণিপুর ওর্গানিক মিসন এজেন্সী (মোমা)না ওল মণিপুর ৱর্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী মেম্বরশিংগীদমক মনা-মশিং তেংবাংখ্রে। মনা-মশিংশিং অদু মোমাগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর কে দেবদত্তা শর্ম্মনা মণিপুর প্রেস ক্লবতা য়েন্থোকখি। মোমাগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর কে দেবদত্তা শর্ম্মনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯ থেংননবা হোৎনবদা ফ্রন্টলাইনদা মথৌ তৌরিবা মীদিয়াগী মীওইশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসিবু শকখঙবা অমসুং ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা ওর্গানিক্কী ওইবা মনা-মশিংশিং অসি মতেং পাংবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# 'মীৎয়েং চঙবীয়ু'

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬ (ঐচ এন এস):
কোভিদ-১৯না মালেমগী মফম শিনবা থুংনা লান্দারক্তুনা অকিবগী মশক ওইরবা তানফম অসিদা নোংমগী চানবা চীঙাক ফাওবা ফংনদ্রবা মতমসিদা লমশাং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা লমদেং অৱাং লৈকায় ৱার্দ নম্বর থ্রীদা ময়াই কাবা চীঙাক মরাং কায়না ফংহন্দুনা ইমুং-মনুং কয়াদি অৱাবগী মথক্তা অৱাবা অমা ওইদুনা ইমুং-মনুং কায়বা ফাওবা য়াওনরে। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবা মতমদা অকনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না লমদেং অৱাং লৈকায় মৈরা পায়বী (মহিলা মন্দল) লূপনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# অশানবা য়ূমদা লৈবা মীওইশিংদা চেঙ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬ (ঐচএনএস):
ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) না শীন্দুনা উরিপোক খ্বারক সেলুংবা লৈরক্তা লৈবা দি য়ুনাইটেদ ক্লব এন্দ লাইব্রেরিনা কোনবা মফমদা লৈবা অশানবা য়ূমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা চেঙ ফংহনখ্রে। কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্কী ৱানরবা মতম অসিদা অমুকোনা অৱা-অনা তারবশিংগীদমক্তা লৌবীরকপা থৌদাংবু য়ুনাইটেদ ক্লব এন্দ লাইব্রেরিনা থাগৎপসু ফোঙদোরক্লি।

লোকদাউননা মরম ওইরগা ময়ূমদা হনবা য়াদদুনা উরিপোক গোপালজি লৈরক্তা অশানবা য়ূম ৱাইদুনা লৈরিবা অৱাবা তারবশিংদসু চেঙ য়েন্থোকখ্রে। মসিগীদমক্তসু উরিপোক গোপালজি লৈরক য়ুথ এসোসিএসন্না অমুকোবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, অচানবীগৈদা লৈবা পোইরৈ নৱাকোন হোমদসু তেংবাঙ পীবিরকপগীদমক অমুকোবু থাগৎচরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

শিংজমৈ চোংথাম লৈকায়গী অশানবা য়ূমশিংদা লৈবা মীওইশিংদসু ঙসি অমুকোগী থৌমীশিংনা চেঙ য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

ꯃꯉꯥꯜ / হন্না-হন্না অপেনবা ফোঙদোকচরি


সুধাকর

শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক, ইম্ফাল (আই টি আই মনাক) দা লৈবা নূংগী লায়েংবা বাবা লাইশ্রম নবকিশোরগী মচানুপা লাইশ্রম সুধাকর (শামু) না বাবাগী মহুৎ শিন্দুনা লায়েংবীবদগী ঐগী লোয়নবীগী কিদনি অনীমক্তা লৈরম্বা নূংশিং অদু হাপ্তা অমখক লায়েংবীবদগী তারক্লে। মসিগীদমক্তা ওজা সুধাকরবু পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না অপেনবা ফোঙদোকচরি।

Sd/- K. Sanajaoba Singh
Chanam Sandrok Mamang Leikai
HL-P/6674/27

ꯊꯥꯒꯠꯄꯥ/ওনরেবল মিনিষ্টর শ্রী থোঙাম বিস্বজিৎপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি



থোংজু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা বাসিখোং কোংবা ইরোংগী ইন্নর রোদ অসি কেন্দ্র অসিগী এম এল এ ওইবিরিবা শ্রী থোঙাম বিস্বজিৎ, ওনরেবল মিনিষ্টর পি দব্লিয়ু দি, আর দি এন্দ পি আর, কন্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি, পৱার, এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস এন্দ ত্রেনিং, ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্না হৌখিবা মমাঙ চহীদা ফুট ১২ পাক্লা অমদি ৩ হেন্না ৱাংনা থোনবীবতা নত্তনা চহী অসিগী য়াওশঙ মমাঙদা কোয়লাস থাবীবগীদমক্তা ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লোয়ননা বাসিখোং কোংবা ইরোং দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী মায়কৈদগী ওনরেবল মিনিষ্টরনা তৌরু-তৌরুবা খুদিংমক্তা মায় পাকপা অমদি মতম শাংনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ঙম্বা ওইরসনু হায়না হায়জরি।

Sd/- Herojit Ningthoujam
Gen. Secy, Bashikhong Kongba Irong
Development Committee
HL-P/6705/27

# HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3227**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 8 | 2 | 6 | | | | 7 | |
| | | | | 7 | | 3 | 9 | |
| | 6 | | | | 9 | | | |
| | | 1 | 5 | | | 6 | | |
| | | | | 9 | | | | |
| | | 4 | | | 6 | 8 | | |
| | | | 7 | | | | 6 | |
| | 4 | 7 | | 2 | | | | |
| | 5 | | | | 3 | 2 | 8 | |

**Solution-3226**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 8 | 9 | 4 | 5 | 7 | 6 | 3 | 2 |
| 2 | 6 | 5 | 9 | 3 | 8 | 7 | 4 | 1 |
| 7 | 3 | 4 | 1 | 6 | 2 | 8 | 5 | 9 |
| 9 | 2 | 6 | 3 | 8 | 1 | 5 | 7 | 4 |
| 8 | 1 | 7 | 5 | 4 | 6 | 2 | 9 | 3 |
| 4 | 5 | 3 | 2 | 7 | 9 | 1 | 6 | 8 |
| 6 | 9 | 8 | 7 | 2 | 4 | 3 | 1 | 5 |
| 5 | 7 | 1 | 8 | 9 | 3 | 4 | 2 | 6 |
| 3 | 4 | 2 | 6 | 1 | 5 | 9 | 8 | 7 |

